# মরেনা ক্বিন'স কপগী, কারোলিননা মাল্লোরকা ওপনগী, কিজনা বিরমিনঘাম ওপনগী টাইটল লৌখ্রে





লন্দন, জুন ২০ ঃ

এন্দি মরেনা মফম অসিদা চথরিবা ক্বিন'স ক্লবকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মিলোস রাওনিকপু ৬-৭ (৫/৭), ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মঙারকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমদুনা পুৰারী শেমখ্রে।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড নম্বর টুনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখিবা অসিনা ক্বিন'স চেম্পিয়ন্স মরিরক ওইখ্রবা মীওই নিপানগী কাঙলুপ্প্পু লাম্হোক্তুনা চৎখি। মীওই নিপানগী কাঙলুপ্তা য়াওরিবা মীওইশিংগী মনুংদা জোন মেক এনরোন, বোরিস বেক্কর, এন্দি রোদ্দিক অমদি লেটন হেৱিট্ট য়াওরি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা অসিনা মায়োক্নখিবা রাওনিক্তগী এস ১৪ মায়োক্নখ্রবসু মঙাশুবা সীদ কনাদিয়নবু মায়থীবা পীবদা পুং ২ গা মিনিট ১৩ চঙখি। মহাক্না কুমজা ২০০৫ দা রোদ্দিকনা টাইটল দিফেন্দ তৌখিবা অদুগী মতুংদা মায়পাক্না দিফেন্দ তৌবা অহানবা প্লেয়র ওইখি।

মহাক্না অহানবা সেটতা টাইব্রেক্তা ৬-৭ (৫/৭) তা মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা সেটতা ৩-০ দা নেমনা লৈখি অমদি ক্বিন'সকী গ্রাসতা মশক থোক্না মেচ ৩০-৫ দা মায় পাক্না রেকোর্দ ওইনা লৈখি।

মসি মরেগী কেরিয়রদা এ টি পি টাইটল লৌবা ৩৭ লক শুবা ওইখি অমদি চহী অসিগীনা মহাক্কী অনীশুবা টাইটল ওইখি।

অমরোমদা মাল্লোরকাদা চথখিবা মাল্লোরকা ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ফ্রেঞ্চকী তরুকশুবা সীদ কারোলিন গার্সিয়ানা লাক্লিবা ৱিমব্লেদনগী ৱার্ম অপ ওইনা লাটভিয়াগী ৮২ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

রেঙ্ক ৩৯ শুবদা লৈরিবা গার্সিয়ানা ফ্রেঞ্চ ওপন ৱিমেন'স দবলসকী চেম্পিয়ন ওইরিবনি। মহাক্না রেঙ্ক ৮২ শুবদা লৈরিবা লাটভিয়নবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা অহানবা গ্রাস-কোর্টকী টাইটল লৌখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা গার্সিয়ানা সিজন অসিগী অনীশুবা টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবসু ওইখি। মহাক্না অহানবা সিজন অসিগী ওইনা ষ্ট্রাসবৌর্গকী টাইটল লৌখিবনি।

চৈরক অসিদা অমেরিকানগী মেদিসন কিজনা বিরমিনঘামদা চথখিবা বিরমিনঘাম ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মচেতা মহাক্না মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টপু মায়থীবা পীদুনা গ্রাসগী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ডগী টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখি।

তরেৎশুবা সীদ অসিনা অনসীদেদ চেক্কী ভেটরান বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। মহাক্কী মায় পাকখিবা অসিনা দব্লিয়ু টি এগী টাইটল লৌবা অনীশুবসু ওইখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা অসিনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা অফিং অফাই ওইনা বোল য়ৈখিবা অমদি অশোয়বা খরা য়াওখ্রবসু মেচ অদু ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাকখি।

অমরোমদা জর্মনিগী ৱর্ল্ড নম্বর ১৯২ শুবদা লৈরিবা ফ্লোরিয়ন ময়রনা নহা ওইরিবা কম্পেট্রোইট অলেজেন্দর জভেরেভপু ৬-২, ৫-৭, ৬-৩ দা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা হোল্লে গ্রাস কোর্টকী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মসিনা ফ্লোরিয়ন ময়রগী কেরিয়রগী অনীশুবা টাইটল লৌবসু ওইখি। অহানবা অদুনা কুমজা ২০১৩ গী বুচারেষ্টকী টাইটল লৌখিবদুনা ওইখি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা অসিনা চহী ২৪ গী পুৰারীদা খ্বাইদগী রেঙ্ক নেম্বা চেম্পিয়নসু ওইখি।

মশাগী চহী ১৯ শুরবা অমদি রেঙ্ক ৩৮ শুবদা লৈরিবা জভেরেভনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রোজর ফেদররবু মায়থীবা পীখিবনি।

# শিভপাল, অন্নুনা বুদাপেষ্ট ওপন্দা মায় পাকখ্রবসু রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইয়িং ষ্টেন্দর্দদি য়ৌবা ঙমখিদ্রে

বুদাপেষ্ট, জুন ২০ ঃ

শিভপাল সিংহ অমদি অন্নু রানিনা মফম অসিদা চথরিবা বুদাপেষ্ট ওপন এথলেটিক্স মীটকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপা অমদি নুপীগী জেভলিন ইভেন্টতা মায় পাকখ্রবসু রিও ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইয়িং ষ্টেন্দর্দদি য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

শিভপালনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্সনেল বেষ্ট ওইনা মমাঙ থাদা পার্টিয়ালাদা মিটর ৭৯.৭৭ শান্না লংখিবনি। অদুবু বুদাপেষ্ট ওপন্দা মিটর ৭৬.৭৪ শান্না লংদুনা রিওগী এন্ট্রি মার্ক মিটর ৮৩ অদু য়ৌবা ঙমখিদে। অদুগা মহাক্না রাজেন্দর সিংহনা মিটর ৭০.৬৪ লংদুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবা অদু মায়থীবা পীখি।

অন্নু রানিনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মিটর ৫৭.২৪ শান্না লংখি। অদুগা রিওগী এন্ট্রি মার্কনা মিটর ৬২ ওইরিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ন ক্বার্টর মাইলরশিংনা পোলেন্দগী ওপোলদা শরুক য়ারি।

মীট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাশিংগী মনুংদা সুমিথ কুমারনা ৪৭.৪৫ সেকেন্দ চেন্দুনা খ্বাইদগী য়াংবা এথলেট ওইখি। অদুগা এম আর পুভাম্মানা নুপীগীদা ৫৩.১৮ সেকেন্দ চেন্দুনা খ্বাইদগী য়াঙবী ওইখি। অদুবু রিওগী এন্ট্রি ষ্টেন্দর্দদি মখোয়গী টাইমিংদগী লাপ্না লৈখি।

নুপাগী নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর অরোকিয়া রজিভ অমদি কেরলাগী ফেদরেসন কপ ৱিমেন্স চেম্পিয়ন অনিশদা থোমাসনা মখোয়গী এক্সন উৎখিদে।

নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর কৃষ্ণনা পুনিয়ানা রিও ক্বালিফাইয়িং মার্ক ওইরিবা মিটর ৬১ য়ৌনবা তান্নখ্রবসু মিটর ৫৬.৫০ খক্তমক ঙমখিদুনা য়ু এস এগী চৌলা ভিষ্টাদা পাঙথোকপা অরোইবা ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়রদা অনীশুবা স্পোটতা লৈখিবনি।



ইন্দিয়াগী নুপাগী মিটর ৪ X ১০০ গী রিলে টিমনা ক্রিগিজষ্টানগী বিশকেদা পাঙথোকখিবা টাটিয়ানা কোলপাকোভা এথলেটিক্স মীটতা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা নুপীগী স্প্রিন্ট রিলে টিমনা সেকেন্দ তাখি।

দুটি চান্দনা নুপীগী মিটর ১০০ গীদা ১১.৪৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা তাখি।

বুদাপেষ্টতা চথখিবা মীট অদুগী জেভলিন থ্রোগী নুপাগীদা ইন্দিয়াগী শিভপাল সিংহনা মিটর ৭৬.৭৪ শান্না লংদুনা ফার্ষ্ট তাখি। ইন্দিয়াগী রাজেন্দর সিংহনা মিটর ৭০.৬৪ লংদুনা সেকেন্দ অমদি মার্ক স্কামোলজনা মিটর ৭০.১৯ লংদুনা থার্দ তাখি। নুপীগীদা ইন্দিয়াগী অন্নু রানিনা মিটর ৫৭.২৪ লংদুনা ফার্ষ্ট, ইন্দিয়াগী সুমন দেবীনা মিটর ৫৫.৩৮ লংদুনা সেকেন্দ অমদি অন্নাবেল্লা বোগদাননা মিটর ৫৪.৬৫ লংদুনা অহুমশুবা তাখি।

চৌলা ভিষ্টা (য়ু এস এ) দা পাঙথোকখিবা মীটকী দিস্কসতা য়ু এস এগী রাকেল লোংফোর্সনা মিটর ৫৭.৬৩ লংদুনা ফার্ষ্ট, ইন্দিয়াগী কৃষ্ণনা পুনিয়ানা মিটর ৬৫.৫০ লংদুনা অনীশুবা তাখি।

পোলেনগী ওপোল মীটকী নুপাগী মিটর ৪০০ গীদা রেসৱানদা পোলেন্দগী জাকুব ক্রিজেৱিননা ৪৬.৮৪ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, ইন্দিয়াগী এ ধারুননা ৪৭.০৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি ইন্দিয়াগী কুনহুমোহমদনা সেকেন্দ ৪৭.০৯ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি। রেস টুদা ইন্দিয়াগী এ লালিথনা ৪৬.৮৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, ইন্দিয়াগী মোহন কুমারনা ৪৬.৮৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা তাখি। রেস থ্রিদা ইন্দিয়াগী সুমিথ কুমারনা ৪৭.৪৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা তাখি।

নুপীগী মিটর ৪০০ গীদা ইন্দিয়ানা মকোক্তা লৈখি। রেস ৱানদা অনু রঘাভননা ৫৪.২৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, প্রিয়াঙ্কা পনৱরনা ৫৪.৪৯ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা, সিমি জোসনা ৫৫.১১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি। রেস টুদা এম আর পুভাম্মানা ৫৩.১৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, দেবশ্রী মজুমদারনা ৫৪.৫২ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি জৌনা মুরমুনা ৫৪.৫২ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

ক্রিগিজষ্টানগী বিশেক মীটতা নুপাগী মিটর ১০০ গীদা ইন্দিয়াগী অসিয়া মাল্লিকনা ১০.৮৪ সেকেন্দ চেন্দুনা মরিশুবা তাখি। মিটর ৪ X ১০০ গী রিলেদা ইন্দিয়ানা ৩৯.৯২ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, নুপীগী মিটর ১০০ দা ইন্দিয়াগী দুটি চান্দনা ১১.৪৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি মিটর ৪ X ১০০ গী রিলেদা ইন্দিয়ানা ৪৪.৪৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা তাখি।

# ইন্দিয়াগী আর্চরি টিমনা ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা ষ্টেজদা শিলভর মেদল অমখক ফংদুনা কেম্পেন লোইশিনখ্রে

অন্টালয়া, জুন ২০ ঃ

টর্কিনা য়ূম্বু ওইদুনা অন্টালয়াদা পাঙথোকখিবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা ষ্টেজগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিক্স রিকর্ভ পিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা শিলভর মেদল অমখক লৌবা ঙমদুনা নীংবা কায়না মখোয়গী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুগী কোনয়ালটি বিচ পার্কতা পাঙথোকখিবা অয়ূক্কী সেসন্দা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী ক্বালিফাই ওইখ্রবী লাইশ্রম বোম্বেলা দেবী, দিপিকা কুমারি অমদি লক্ষ্মীরানি মাঝিনা শাবা ইন্দিয়াগী নুপী রিকর্ভ টিমনা মখোয়গী ব্রোঞ্জ মেদলগী কম্পিটিশন্দা ১-৫ দা ইটালিগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

নুমিৎ অদুগী নুংথিলগী সেসন্দা মশাগী চহী ২৪ শুরবা অটানু দাসনা মহাক্কী অহানবা ইন্দিভিজ্যুলদা ৱজিন কিমদগী ৪-০ দা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু অরোইবদা ৫-৬ তা মায়থীদুনা নীংবা কায়না লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী কম্পাউন্দ টিমদা লিলি চনু পাউনম, দিভয়া ধয়াল অমদি পুর্ভশা শেন্দেনা ব্রোঞ্জ মেদলগী প্লে ওফতা ইন্দোনেসিয়াগী দেল্লি থ্রিসয়াদিন্দর, ট্রিয়া রেক্কি অন্দ্রিয়ানি অমদি রোনা মিস্কা সারিগী মখূৎতা



২২২-২২৬ তা মায়থীহৌদুনা মেদল ফংবা ঙমখিদে। অদুগা ইন্দিয়াগী নুপা রিকর্ভ টিমনা মখোয়গী অরোইবা ওইনা ফংখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইয়রদা মায়থীখিদুনা ওলেম্পিক্সকী টিকেট ফংবা ঙমখিদবনি।

অমরোমদা দিপিকা কুমারি অমদি অটানু দাসনা শাবা মিক্স পিয়রগী ইভেন্টকী অহানবা সেটতা ৮, ৬ অমদি ৯ কাপ্তুনা য়াম্না নীংবা কায়না মায়থীহৌখিবদগী টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা কোরিয়াগী মিক্স পিয়র বেঞ্চন অমদি মিসুন চোইনা ৫-১ দা মায় পাকখি।

# সর্দারনা লৈবাক তরুক্কী হোকি টুর্নামেন্টদা কেপ্তেন ওইনা হল্লকখ্রে, ইন্দিয়ন টিমদা কোথাজিৎ, চীংলেনসনা য়াওরে

ন্যু দিল্লি, জুন ২০ ঃ

ইন্দিয়ানা শিলভর মেদল লৌখিবা চেম্পিয়ন ট্রোফিগী কেম্পেনদা শরুক য়াখিদবা সর্দার সিংহনা জুন ২৭ তগী স্পেনগী ভলেন্সিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিক্স নেসন্স ইনভিটেসনেল হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদতা কেপ্তেন ওইনা হল্লকখিবগা লোয়ননা টিম অসিদা মণিপুরগী কোথাজিৎ সিংহ অমদি চীংলেনসনা সিংহ য়াওরে।

দ্রেগ-ফ্লিক্কর রুপিন্দর পাল সিংহসু সর্দারগা পূন্না হনমিন্নরকখিবগা লোয়ননা বিরেন্দর লাক্রাগা পুনখ্রে।

লন্দন্দা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা গোলকিপর পি আর শ্রীজেসনা কেপ্তেন ওইদুনা শরুক য়াখিবদা ইন্দিয়ানা শিংথানিঙাই ওইনা শিলভর মেদল লৌখিদুনা পুৰারী শেমখিবনি।

ইন্দিয়াগী স্কাদতা অকনবা দিফেন্সিব লাইন-অপ শেমখিবগা লোয়ননা এক্সপরিয়েন্স কেম্পেনর ভি আর রঘুনাথ অমদি কোথাজিৎ সিংহনা অমুক হন্না টিমদা হল্লকখ্রবা লাক্রা অমদি রুপিন্দর পালগা পুনখি। ভিকাস দাহিয়ানা কষ্টাদিয়ন শ্রীজেসকী বেক-অপ্তা লেংদনা লৈরি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি অর্জেন্টিনা, জর্মনি, ন্যুজিলেন্দ, আইরলেন্দ অমদি য়ূম্বু স্পেননি।

সর্দার সিংহনা হায়খি, লেমজনিংঙাই ওইরবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি টুর্নামেন্ট অসি ঐখোয়না অহানবা মেদল লৌখ্রবা মতুংদা ঐখোয়না লৈবাক তরুক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা নিংথিনা শান্নগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অদু লৈরি। মেচ পূম্নমক ঐখোয়গীদি য়াম্না লুনা লৌবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা ঐখোয়গী পান্দম ফংনবা মিৎয়েং থম্লি।

ঐখোয়গী স্কাদনা চেম্পিয়ন ট্রোফি মনুংদা মশক থোক্না টেক্টিকেল হোকি অদু উৎখি অমদি ওলেম্পিক্কী মেদল লৌনবগী অশা অদু ময়োল হেন্না চোংহনখি। ভলেন্সিয়াদা ঐখোয়না মায়োক্নগদবা টিম অহুমদি ওলেম্পিক গেমসকী ঐখোয়গী পুলদা তারিবা টিমনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী টেক্টিক্স অসি হেন্না ফগৎনবা শেম শাবগী খুদোংচাবসু ওইরগনি হায়না মখা তানা মহাক্না ফোঙদোকখি।



www.hueiyenlanpao.com

চীফ কোচ রোলেন্ট ওলটমান্সনা হায়খি, স্কাদ অসি রিও ওলেম্পিক্সকীদমক নিংথিনা শেমগৎলে। হন্দক্তা ঐগী নুপামচাশিংনা উৎখিবা মরু ওইনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী পার্ফোমেন্স অদুদা ঐনা তশেংনা অপেনবা হায়বদু ওইখি।

মখোয়না ট্রেনিংদা ফংখিবা লৌশিং অদু টুর্নামেন্ট অদুদা নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমখ্রে। মখোয়গী স্পিরিট অদু লেংদনা থম্বা ঙমগনি হায়না ঐনা অশা তৌরি অমদি মখা তানা পার্ফোমেন্স অদুমক পীদুনা মায় পাক্না চঙশিনগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ইন্দিয়ানা জুন ২৭ তা ওপনর ওইনা জর্মনিগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়ন স্কাদতা য়াওরিবা টিম মেম্বরশিং অদুদি গোলকিপরদা পি আর শ্রীজেস (ভাইস কেপ্তেন), ভিকাস দাহিয়ানি। দিফেন্দরদা রুপিন্দরপাল সিংহ, ভি আর রঘুনাথ, কোথাজিৎ সিংহ, সুরেন্দর কুমার, হরমনপ্রীট সিংহ, বিরেন্দ্র লাক্রানি। মিদফিল্ডরদা দানিশ মুজটাবা, চীংলেনসনা সিংহ, মনপ্রীট সিংহ, সর্দার সিংহ (কেপ্তেন), এস কে উটাপ্পা, দেভিন্দর, সুনিল, ৱালমিকি, হরজীট সিংহনি। ফোরৱার্দতা টালৱিন্দর সিংহ, এস ভি সুনিল, অকশদিপ সিংহ, রমনদিপ সিংহ অমদি নিকিন টিম্মায়াহনি।

# ওষ্ট্রেলিয়ান ক্রিকেটরশিংনা চেন্নাইদা লাক্তুনা ট্রেনিং অমদি মেচশিং ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগা শান্নরগনি



চেন্নাই, জুন ২০ ঃ ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটর জো বরন্স, পিটর নেভিল্ল, জেকসন বার্দ অমদি ষ্টেভ ও' কিফেনা এম আর এফ পেস ফাউন্দেসন্দা জুলাই ৪ দগী ১২ ফাওবা ট্রেন তৌগদবা অমদি শান্নগদবা ওষ্ট্রেলিয়ন ১৭ কী মনুংদা য়াওরে।

নেভিল্লনা ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক ৱিকেট কিপিংগী গ্লোভ উপকনি অদুগা বরন্সনা টোপ ওর্দর বেটসমেন্দা লৈগনি। মখোয় অনীমক ওষ্ট্রেলিয়ন টেষ্ট টিমদা য়াওখ্রবশিংনি।

লেফ্কি পেসমেন বার্দ অমদি লেফট-আম স্পিন্নর ও'কিফেসু ওষ্ট্রেলিয়ন টেষ্টতা শরুক য়াখ্রে।

ইংলেন্দ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন টেষ্ট টিমদা কোচিং পীখিবা ট্রোয় কুলিনা টিমবু লুচিংগনি। মহাক ব্রিসবেন্দা লৈরিবা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী সেন্টর ওফ এক্সেল্লেন্সতা লৈরি।

এম আর এফ পেস ফাউন্দেসনগী চীফ কোচ এম সেনটিলনাথননা হায়খি, মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্লেন মেক গ্রাথকী কেম্পতা সিটি অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ান টিম লাক্তুনা লৈরগনি হায়খি।

এম আর এফনা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগা ক্রিকেটরশিং পীথোক পীশিন তৌননবা এম ও য়ু অমা য়ানদুনা লৈরিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রিকেটরশিং অসি তোঙান তোঙানবা মরমগীদমক মফম অসিদা লাক্কদবনি। টিমগী পেসমেনশিং মেক গ্রাথকী মখাদা ট্রেন তৌবগী খুদোংচাবা ফংগনি। বেটসমেনশিংনা সব-কন্টিনেন্টেলগী কন্দিসনশিংদা চুনহনবগী খুদোংচাবা লৈগনি। স্পিন্নরশিংনা পিটচ অসিদা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগী মায়োক্তা বোল লংবগী খুদোংচাবসু ফংগনি। অমদি ওসিজনা মমল লৈরবা মেচ প্রেক্টিসশিং শান্নবা ফংগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মখোয়গী ট্রেনিং অমদি শান্নবা লোইরবা মতুংদা ওসিজনা চয়োল অনীগী কেম্পকীদমক শ্রী লঙ্কাদা চৎকনি। কেম্প অসি শ্রী লঙ্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সেরিজ মাঙওইননা পাঙথোক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মতম পূম্নমক্তা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা প্রেক্টিসশিং চথবা পাম্লি। মসিনা সব কন্টিনেন্টকী কন্দিসন্দা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা হেঙ্গৎহল্লি। চেন্নাইদা মেথিয়ু হেদেননা ট্রেনিং তৌখি অমদি কুমজা ২০০১ দা ইন্দিয়াদা ওষ্ট্রেলিয়ানা টুর তৌরকখিবা অদুদা চাউনা মায় পাকখিবনি।

# মমাঙগী মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী প্লেয়র ষ্টেভ কোপ্পেলনা কেরলা ব্লাষ্টরগী অনৌবা কোচ ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ২০ ঃ

মমাঙগী মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি ইংলেন্দগী প্লেয়র ষ্টেভ কোপ্পেলনা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী অহুমশুবা সিজন্দা শরুক য়াগদৌরিবা কেরলা ব্লাষ্টরগী অনৌবা কোচ ওইনা থৌ পুরগনি।

মমাঙগী ৱিঙ্গর অসিনা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী গেম ৩০০ হেন্না শান্নখিদুনা গোল ৫৩ চনখি অমদি ইংলেন্দগীদমক মহুৎ শিন্দুনা মেচ ৪২ দা শরুক য়াখি। মহাক্না নেসনেল টিমগীদমক তরেৎলক গোল চনখি।

পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না টিমগী মেনেজমেন্টনা মমাঙগী মাঞ্চেষ্টর সিটিগী কোচ অসি য়ানবগীদমক থবক থৌরমশিং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা ওফিসল ওইনা লাউথোক্নবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

মশাগী চহী ৬০ শুরবা অসিনা চহী ৩০ গী মথক্তা কোচিংগী এক্সপরিয়েন্স লৈরে। মহাক্কী কোচিংগী এক্সপরিয়েন্স মনুং চন্না ক্রাইষ্টেল পেলেস (মরিরক), মান সিটি, রিদিংগীদমক কোচকী থৌ পুখি।

কোচিদা বেজ তৌবা ফ্রেঞ্চাইজ অসিনা অহুমশুবা সিজন অসিগীদমক দেভিদ জেসপু টিমদা পুরকপগী অপান্বা লৈখ্রবসু গোলকিপর অসিনা ইন্দিয়াদা অমুক হল্লকপা পামখিদে।

কো-ওনর সচিন টেন্দুলকর অমদি নগার্জুনানা মখোয়গী ত্বিটতা থাগৎলকপা মেসেজদা অনৌবা কোচ ওইনবগী ৱাফম খঙহল্লবসু নৌনা হাপকদৌরিবা মেনেজরগীদমক কনাগুম্বা অমগী মমিংদি পনখিদে।

কেবি সি এফ সি ওফিসলনা লাক্লিবা সিজন অসিগীদমক মখোয়গী অনৌবা কোচ হাপ্পগী ৱাফম ফাইনেলাইজ তৌখি হায়না নগার্জুননা ফোঙদোকখি।

মহাক চয়োল অসিদা ইন্দিয়াদা লাক্কনি। এক্স মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী প্লেয়রগা উনগদবা অসিদা নুঙাইবা পোকই হায়খি।

**ADMISSION OPEN for B.Sc Nursing & GNM 2016-17**
Offers Govt. Fees only for Manipur Students
**B.Sc Nursing:** Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
**GNM:** Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Mess Fee : Rs. 1500/- per month
Location : ANDHRA PRADESH (Vijayawada)
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus.
(Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
**EDUCARE ZONE** Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8132088772, 9436009556
HL-P/8657/7/06-21/06